**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 15-04-2026)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) সেকুরিতি ফোর্সনা রাজ্য অসিদগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা আইন কায়বা থবক থৌরমশিং চথবা মীওইশিং ফাগৎপগী থবক লেপ্তুনা চথরি।

২) ইম্ফাল ইষ্ট, ইম্ফাল ৱেষ্ট, থৌবাল অমসুং ককচিংদা ঙসি অয়ুক পুং ৫ দগী নুমিদাংৱাইরম পুং ৫ ফাওবা কার্ফিয়ু কোমথোক্লি। বিষ্ণুপুর জিলাগী ওইনদি কার্ফিয়ু কোমথোক্ত্রে।

অমসুং

৩) বিহারগী উপ-মুখ্য মন্ত্রি অমসুং বি.জে.পিগী মকোক থোংবা লুচিংবা সমরাত চৌধরি বিহারগী অনৌবা মুখ্য মন্ত্রি ওইনা ঙসি ৱাশক লৌরগনি।

**------**

পুলিস (এল)ঃ সেকুরিতি ফোর্সনা রাজ্য অসিদগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা আইন কায়বা থবক থৌরমশিং চথবা মীওইশিং ফাগৎপগী থবক লেপ্তুনা চথরি।

মণিপুর পুলিস কন্ট্রোল রুমগী চেরোল অমনা হায়- সি.আই.এস.এফ অমসুং এয়ারপোর্ট পুলিসকী অপুনবা কাংবু অমনা অককবা পাউ অমা ফংবদগী ঙরাং অয়ুক পুং ১০ মখায়রোম তাবদা ইম্ফালগী তুলিহল এয়ারপোর্টতা ওপরেসন চথখি। ওপরেসন অদুদা বিষ্ণুপুর জিলাগী মোইরাং সব-দিভিজনগী মনুং চনবা ক্বাক্তা খুমন থোংখোঙদগী মীওই অমা ব্রাউনসুগর কিলোগ্রাম ৬ খরা হেনবগা কোন্ননা ফাখি। ব্রাউনসুগর অদু তোঙান তোঙানবা পাত্র ৬ তা হাপ্তুনা

পুরকপনি হায়রি। হিরম অসিগী মতাংদা কেস অমা লৌখৎপগা লোয়ননা মখা তাবা থবক লৌখৎনবগীদমক মীওই অদু ফাগৎলবা পোৎলমশিংগা লোয়ননা শিংজমৈ পুলিস ষ্টেসনদা শিন্নখি।

ৱাহং পাউহং তৌরবা মতুংদা মীওই অসিনা হায়দোরকপদগী বিষ্ণুপুর জিলাগী মনুং চনবা ক্বাক্তাদা খুৎশু খুৎলায় লোৎশিন্দুনা থম্বগী পাউ ফংখি। তুংদা সেক্যুরিতি ফোর্সকী কাংবু অমা মফম অদুদা চংশিনখি। নুংথিল পুং ১ মখায়রোম তাবদা জিলা অসিগী মনুং চনবা থিনুংগৈ মপাদা সেক্যুরিতি ফোর্সশিংগী গাড়ি লাকপদা অয়েৎপা পীরকখি। মদুদা মীয়ামগা চাউনা মুকবা থোরকপগা লোয়ননা খোঙজং চংশিল্লিবা মীয়ামা সেক্যুরিতি পার্সোনেলশিং অদুনা তোংলকপা গাড়ি অনি মৈ থাখি। ওইরিবা ফিভম অদু লাকশিন্নবা অহেনবা ফোর্স থোমজিনদুনা তিয়ার গ্যাস কাপ্তুনা মীয়াম অদুবু তানখায়খি। থৌদোক অদুদা মীওই খরা অশোক অপন নংখি। মখা তানা থৌদোক অসিগা মরী লৈননা মীওই মরি ফারে অমসুং মখোয়গী মথক্তা মখা তানা থিজিন হুমজিনবগী থবক হৌখ্রে।

প্রোটেষ্ট(এল)ঃ বিষ্ণুপুর জিলাদা ঙরাং অহিং অথেংবা ফাওবদা মীয়াম অমসুং সেক্যুরিতি ফোর্সকী মরক্তা মুকবা থোকখি।

ঐকোয়গী বিষ্ণুপুর পাউমী-আর.কে. মনিপুরসনানা হায়- ইরাং অদু লাকশিন্নবা সেক্যুরিতি ফোর্সনা টিয়ার গ্যাস সেলনচিংবা কাপখি।

ঙরাং নুংথিল বিষ্ণুপুর জিলাগী ত্রোংলাউবী থৌদোকপু য়ানিংদবা ফোংদোক্তুনা থিনুংগৈদা মীয়ামগা সেক্যুরিতি ফোর্সকা চাউনা মুকবা থোকপদগী মীয়ামগী ইহৌ অদুবু লাকশিন্ননবা হোৎনবদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা টিয়ার গ্যাস সেলনচিংবা কাপ্তুনা তানখায়খি। মদুদা মীওই ২৩ রোম অশোক অপন নংখিবনি।

ইম্ফালগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদসু ঙরাং অহিং অথেংবা ফাওবা মীয়ামা খোঙজং চংশিনখি। মদুদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা টিয়ার গ্যাস সেলনচিংবা কাপখি।

কার্ফিয়ু(এল)ঃ ইম্ফাল ইষ্ট, ইম্ফাল ৱেষ্ট, থৌবাল অমসুং ককচিংদা ঙসি অয়ুক পুং ৫ দগী নুমিদাংৱাইরম পুং ৫ ফাওবা কার্ফিয়ু কোমথোক্কনি। অদুমওইনমক, বিষ্ণুপুর জিলাগী ওইনদি কার্ফিয়ু কোমথোক্লোই।

অমরোমদা, রাজ্য অসিগী তম্পাক্কী জিলা মঙাদা মোবাইল ইন্টরনেটকী অথিংবা থম্লকপদু হয়েং ফাওবা শাংদোকখ্রে।

অম্বেদকর (এল)ঃ ডাঃ অম্বেদকর সেন্তর ওফ এক্সলেন্স, মণিপুর য়ুনিভর্সিতিনা শিন্দুনা ডাঃ ভিম রাও অম্বেদকরগী ১৩৫ শুবা মপোক কুমওন পালন থৌরম ঙরাং সেন্তর অসিগী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা শরুক য়ারদুনা সেন্তর অসিগী প্রোগ্রাম কোওর্দিনেতর ডাঃ শলাম শান্তিকুমার সিংহনা হায়- সমাজগী শোখনা লৈরিবা মীওইশিংবু অৱাংবা থাক্তা পুখৎনবা অমসুং লৈবাক অসিগী মীয়ামদা মান্নবা অমসুং অচুম্বা ৱায়েল ফংহন্নবগী মতাংদা ডাঃ বি.আর. অম্বেদকরনা অচৌবা থৌদাং কয়া লৌরমখি।

থৌরম অদুদা সেন্তর অসিগী মহৈরোইশিং অমসুং ফেকলতি মেম্বরশিংনা ডাঃ বি.আর. অম্বেদকরগী ফোটোদা লৈ কৎতুনা ইকায় খুমবা উৎখি।

জেলিয়াংরোং (এল)ঃ ওল জেলিয়াংরোং ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়নগা নৌনা থৌ পুগদবশিং খল্লে। জেলিয়াংরোং ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন অসামগী হাই হিউ বে ক্বামেনা য়ুনিয়ন অসিগী প্রসিদেন্ট ওইরগনি।

বিহার ঃ বিহারগী উপ-মুখ্য মন্ত্রি অমসুং বি.জে.পিগী মকোক থোংবা লুচিংবা সমরাত চৌধরি বিহারগী অনৌবা মুখ্য মন্ত্রি ওইনা ঙসি ৱাশক লৌরগনি। ৱাশক লৌবগী থৌরম পাটনাগী লোক ভবনদা অয়ুক্কী পুং ১১ দা পাঙথোক্কনি। বিহারদা বি.জে.পিকী মীহুৎনা মুখ্য মন্ত্রি ওইবসি শ্রী চৌধরিনা অহানবনি।

শ্রী সমরাত চৌধরিনা ঙরাং রাজ্যপাল, সয়েদ অতা হসনেনগা লোক ভবনদা উন্নদুনা মহাক্কী অনৌবা সরকার শেম্বগী ৱাফম ফোংদোকখি।

সমরাত চৌধরিনা বিহারগী অনৌবা মুখ্য মন্ত্রি ওইনবা খল্লকপদা মণিপুর মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা থাগৎপা ফোংদোরক্লি। সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোলদা শ্রী খেমচান্দনা হায়- রাজনীতিগী লমদা মহাক্কী হৈ শিংবা অমদি মীয়ামগী য়াইফনবা থবক থৌরমশিং পায়খৎপদা হনবা লৈতবা মীশক অমনি। মহাক্কী হৈথোই শিংথোইবা কয়ানা বিহারগী চাওখৎ থৌরাংদা মাংজিংল থাবা ঙম্লগনি।

মুরমু ঃ রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা হায়রি- লৈবাক অসিগী নেসনেল সেক্যুরিতিগী ওইবা লম কয়াদা মতম মতমগী ওইবা অহোংবা অমসুং অওনবা কয়া লাক্লিবা অসি থেংননবা মতিক চাবা মীওই কয়া তঙাইফদে।

গুজরাতগী গান্ধিনাগরদা ঙরাং পাঙথোকখিবা রাষ্ট্রিয়া রক্সা য়ুনিভর্সিতিগী ৫ শুবা কনভোকেসন থৌরমদা ৱা ঙাংবদা রাষ্টপতিনা হায়- আর্তিফিসিয়েল ইন্তেলিজেন্স লাকপা অমসুং সাইবর দেটা সেক্যুরিতিগী পাক চাউবা হেনগৎলকপনা লৈবাক্কী ওইবা ঙাকশেলদা অচৌবা অওনবা কয়া লাক্লে। থৌরম অদুদা রাষ্ট্রপতিনা নেসনেল সেক্যুরিতি এদভাইজর অজিৎ দোবালনা লৈবাক অসিগী ওইনা শিংথানিঙাই ওইবা থবক থৌরম কয়াদা শরুক য়াববু শকখঙদুনা শ্রী দোবালদা ওর্নরেরি ডোক্তরেট পীখি।

রাষ্ট্রপতিনা হায়- ভিক্সিত ভারতকী মঙলান মঙফাওনহন্নবা হোৎনবদা ঙাকশেলগী লমদা মীপাল তাংদবা হায়বসি য়ামা তঙাইফদে। নক্সেলিজম থেংনবদা সি.আর.পি.এফ অমসুং অতৈ সেক্যুরিতি ফোর্সশিংনা লৌরিবা থৌদাংশিংবুসু রাষ্ট্রপতিনা থাগৎপা ফোংদোকখি।

থৌরম অদুদা গুজরাতকী রাজ্যপাল অচারিয়া দেবরাত, মুখ্য মন্ত্রি ভুপেন্দ্র পতেলসু শরুক য়াখি।

ভিপি ঃ উপ-রাষ্ট্রপতি সি.পি. রাধাকৃষ্ণননা হায়রি- পুন্না খন্নমিন্নদুনা অফবা ৱারেপ লৌমিন্নবনা গনতন্ত্রগী খ্বাইদগী মরুওইবা শরুকনি।

ৱাফম অসি ঙরাং নিউ দিল্লিদা পাঙথোকপা অনিসুবা ডাঃ ভিম রাও অম্বেদকর মেমোরিয়েল লেকচরগী থৌরমদা ৱা ঙাংবদা উপ-রাষ্ট্রপতিনা ফোংদোকখিবনি। মহাকা হায়- ডাঃ অম্বেদকরনা লৈবাক অসিগী নাগরিক খুদিংমক্তা অমত্তা ওহবা ৱাখল্লোন শাগৎপা অমসুং মীওই খুদিংমক্তা মান্নবা হক ফংহন্নবগী মতাংদা শিংথানিঙাই ওইবা থৌদাং কয়া লৌরমখি। মহৈ মশিং মতিক চানা তম্বা হায়বসিনা অশেংবা নীংখা তম্বগী অহৌবনি হায়বগী ৱাখল্লোন মীয়ামদা মহাকা ময়েক শেংনা খঙহন্নবা হোৎনখি। শ্রী রাধাকৃষ্ণননা হায়- ডাঃ অম্বেদকরগী মীৎয়েংদা লৈবাক অমগী শক্তি অসি লৈবাক অদুদা লৈরিবা অমসুং চৎনরিবা তোঙান তোঙানবা লোল, নাৎ, চৎনবী অমসুং ধর্ম্ম মান্নদবা মীওই কয়ানা ওইরি। মহাকা হায়- মসিনা গনতন্ত্রগী ওইনা খ্বাইদগী মরুওইবা শরুকশিংগী মনুংদা অমনি।

মোদি ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ঙরাং দিল্লি-দেহরাদুন ইকোনোমিক কোরিদোর হৌদোকখ্রে। দেহরাদুনদা পাঙথোকপা মীয়ামগী ওইবা থৌরম অমদা ৱা ঙাংবদা প্রধান মন্ত্রিনা হায়- উত্তরাখন্দনা মপুং ফাবা রাজ্য অমা ওইনা লৈরকপা চহি ২৫ মপুং ফারে। মহাকা হায়- কোরিদোর অসি হৌদোকপগী লোয়নন্না রাজ্য অসিগী ওইবা চাওখৎ থৌরাংগী খোঙজেলদা অচৌবা খোঙথাং অমনি। তুরিজমগী মীৎয়েংদা য়েংলগদি প্রোজেক্ট অসি য়ামা মরুওইবা প্রোজেক্ট অমনি অমসুং মসিনা রাজ্য অসিবু হেন্না চাওখৎহনবদা অচৌবা থৌদাং লৌগনি। শ্রী মোদিনা হায়- লম্বী-থোংগী ফিভম, এয়ারৱেজ, রেলৱেজ, ৱাটরৱেজনা খুনাই অমা চাওখৎহনবদা য়ামা মরুওই। লমশিং অসিদা শেমগৎ শাগৎপদা রাজ্য অসিনা অহেনবা মীৎয়েং চংদুনা চাওখৎলবা ভারত অমগী মঙলান মঙফাওনহন্নবা রাজ্য অসিনা লেপ্পা লৈতনা হোৎনরি।

থৌরম অদুদা প্রধান মন্ত্রিনা ৱান রেঙ্ক, ৱান পেন্সনগী মখাদা এক্স-সার্ভিসমেনশিংগী ওইনা লুপা কোতি লাখ ১ হেনবগী শেনফম কাইথোকখি।

ইলেক্সনঃ নোংচুপ বেঙ্গোলদা থা অসিগী ২৩ দা পাঙথোক্কদৌরিবা অহানবা তাঙ্কক্কী মীখলগা মরী লৈননা ভোট খোন্বগী থবক খম থেংনা কল্লে।

রাজনিতি দলশিংনা মাগী মাগী মীহুৎশিংনা তোঙান তোঙনবা মফমশিংদা রেল্লি অমদি রোড সোনচিংবা কয়া পাঙথোক্লি। মীখল পাঙথোক্কদৌরিবা রাজ্য অদুগী জিলা ১৬ তা ভোটরশিংগী পুক্নিং চিংশিন্নবগীদমক ত্রিনামুল কংগ্রেস, বি.জে.পি. অমসুং কংগ্রেসনা লুচিংবা ইন্দিয়া ব্লোক্কী কাংবুশিংনা ঙমজবী থাদুনা ভোৎ খোমরি।

বি.জে.পি লুচিংবা অমসুং গৃহ মন্ত্রি-অমিত সাহনা ঙরাং রাজ্য অদুগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা পাঙথোকপা মীয়ামগী মীতিন অমদি রোড সোশিংদা শরুক য়াখি। মহাকা উত্তর বিনাসপুর জিলাগী কালিয়া গঞ্জতা পাঙথোকপা রোড সো অমদা শরুক য়াখি। মদুগী তুংদা, গঙ্গারামপুর গ্রাউন্দা পাঙথোকপা মীয়ামগী মীতিন অমদা ৱা ঙাংখি।

অমরোমদা, ত্রিনামুল কংগ্রেসকী লুচিংবী মমতা বেনর্জিসু তোঙান তোঙানবা মীখলগী কেম্পেইনশিংদা শরুক য়াখি। মহাকা মেদিনিপুরদা পাঙথোকপা মীয়ামগী মীতিনদা ৱা ঙাংখি।

কংগ্রেস লুচিংবা অমসুং লোক সভাগী বিরোধি লুচিংবা রাহুল গান্ধিসু ঙরাং রাজ্য অদুগী তোঙান তোঙানবা মীখলগী কেম্পেইনশিংদা শরুক য়াদুনা ভোৎ খোমখি। শ্রী গান্ধিনা বিনাসপুরদা পাঙথোকপা মীয়ামগী মীতিন অমদসু শরুক য়াখি।

**---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---**

চৈরাউবগী শুতি লৈখিবনা মরম ওইরগা ঙসি ইম্ফালদা ফোংবা পাউচেশিং অমত্তা ফোংনদ্রে। অদুমওইনমক, চীংগী জিলাশিংদা ফোংবা পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউ খরা য়েংলবদা- গানফিউ মেলদা ইং ২০২৬ তগী ২৯ ফাওবগী ওইনা ওল জেলিয়াংরোং ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন, অসাম, মণিপুর অমসুং নাগালেন্দগী নৌনা থৌ পুগদবা থৌমীশিং খনবগী মীখল ঙরাং ইম্ফালগী নমদুলুংদা পাঙথোকখ্রে হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন ওইরি।

ইম্ফাল রেলৱে ষ্টেসনগী শেমগৎ শাগৎলিবশিং মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা হকথেংননা চত্তুনা য়েংশিনখিবগী পাউ পাউ অসিগী অহানবা লমায়দা ফোংলি। পাউ অসিমক তমেংলোং টাইমসতা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি অমসুং আমেরিকাগী রাষ্ট্রপতি দোনাল্ড ত্রম্পনা নোংচুপ এসিয়াগী ওইরিবা ফিভমগী মতাংদা টেলিফোনগী খুত্থাংদা ৱারী শান্নদুনা খন্নখিবগী পাউ তমেংলোং টাইমসকী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

সেনাপতি দিষ্ট্রিক্ট ত্রক ওনরস এন্দ দ্রাইভরস য়ুনিয়নগা এন.ঐচ.আই.দি.সি.এলগী ওফিসিয়েলশিংগা পুন্না নেসনেল হাইৱে-টুগী লম্বী য়েংশিনখ্রে হায়বা পাউ হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেসকী অহানবা হেদলাইন তৌরি। বিষ্ণুপুর জিলাদা খোঙজং চংশিনবা মীওইশিংনা গাড়ি অনি মৈ থাদুনা অমাং অতা থোকহনখিবগী পাউ পাউচে অসিগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

------